**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-01-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৪-০১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসকী থবক্তগী পোথারবা মীওইশিংনা মতেং পাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌরি।

২) মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসনা মালেমগী মীয়ামদা মণিপুরগী মরমদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থোদাং লৌরি।

**অমসুং**

৩) নুমিৎ ৪৫ নি চথুগদবা মহাকুম্ভ মেলাগী ঙরাং অহৌবা নুমিত্তা ভক্তা কোতি অমা মখায় হেনবনা শরুক য়াখি।

**বিরেন (এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসকী থবক্তগী পোথারবা মীওইশিংনা মতেং পাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌরি।

আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান ডেগী মাংওইননা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা লান্মীগী মকোক থোংবা ওইনা থবক তৌরম্বা মীওইশিং অমদি লানফমদা থৌনা ফনা লৈখিদ্রবা লান্মীগী লোয়নবীশিংবু তরামা ওকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থবক্তগী পোথারবা লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসকী মীওইশিংনা মণিপুরগী

ৱাথোক অসি লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা অমগা অমগা পাউ ফাওনদুনা অমদি ফজবা সজেসনশিং পুথোক্তুনা থৌদাং য়াবীয়ু। মনিপুরদা অসাম রাইফলস অমসুং লান্মীনা লৌরিবা থোদাংশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। রাজ্য পুলিসকা নিংথিনা পাউ ফাওনদুনা, অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা মখা তানা থবক তৌমিন্নবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি।

**--সাউন্দ বাইট--সিএম**

**হেলথ(এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডা.সাপল রঞ্জন অমসুং হেলথ সর্ভিসেসকী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং উন্নদুনা ৱারি শান্নখ্রে। ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটয়েটতা উন্নখিবা অদুদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৭ তগী হৌখিবা হন্দ্রেদ দেজ টি.বি কেম্পেইন মাই পাকা চথবগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মণিপুরব্ টি.বি লায়না লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হেলথ সর্ভিসেসকী ওফিসিএলশিংনা মখা তানা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা খঙহনখি।

**অর্কাইবস (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসনা মালেমগী মীয়ামদা মণিপুরগী মরমদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসকী হেদ অমসুং দিপ্যুতি দিরেক্তর ৱাই.য়াইমা দেবীগা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রীমতি য়াইমা দেবীনা হায়-মনিপুর ষ্টেট অর্কাইবসতা মণিপুরগা মরি লৈনবা অরীবা দোক্যুমেন্ট অমদি মচাক মথুম কয়া চেকশিন্না থন্লি। রাজ্য অসিগী হৌগৎলক্লিবা রিসর্স স্কোলর কয়া নুমিৎ খুদিংগী লাক্তুনা মখোয়না পাম্বা ইনফোর্মেসনশিং লৌরি। ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগীসু রিসর্স স্কোলর কয়া লাকই। মসিগী মথক্তা ব্রিতেন য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী রিসর্স স্কোলর কয়াসু

মরক মরক্তা লাক্তুনা মখোয়না পাম্বা ইনফোর্মেসনশিং লৌরি। তুংগী মীরোলদা কান্নগদবা অহল লমনশিংনা শিজিন্নরম্বা অরীবা দোক্যুমেনশিং নিংথিনা থম্বদা খুদোংচারোইদবা লৈরবদি অদুগুম্বা দোক্যুমেনশিং অদু মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসতা থম্বীনবা শ্রীমতি ৱাই.য়াইমা দেবীনা আপিল তৌরি।

**--সাউন্দ বাইট--য়াইমা**

**দিসি(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিস্নরগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নর লৌরেম্বম বিক্রমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়া

খ। মীফম অদুদা পেন্সন স্কিমশিং, অঙাংশিংনা লাইরিক তম্বদা চংবা তেক্সবুক, স্কুল য়ুনিফোর্ম, স্তেস্নরি আইতেমশিং, মহৈরোইশিংনা স্কুল চথোক চৎশিন তৌবগী মতাং, অমসুং দাইবেতিস অমদি হাইপর তেন্সননা নারবা মীওইশিংগী হকশেলগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নখি। রিলিফ কেম্পশিংদগী লাকখিবা মীহুৎশিংনসু মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখি।

**এআরঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মণিপুরগী নহারোলশিংবু খা-ভারতকী কলা সংস্কৃতি, ঐতিহাশিক ওইবা মফমশিং অমসুং বিগ্যানগা মরি লৈনবা মফমশিং য়েংহন্নবা টুর প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ৮ দগী চৎপা হৌখ্রে। খোঙচৎ অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অসাম রাইফলসকী চেরোল

অমদা হায়-খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না হৌজিক ফাওবদা হাইদ্রবাদকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা য়েংখ্রে। নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর অসি লমদম অসিগী নহারোলশিংদা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমগী ৱাখল্লেন হেন্না পোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১২ দা ককচিং জিলাগী সেরৌ খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মীওই ১৬২ লায়েংখি হায়রি। তেংনৌপল জিলাগী মচিদা লৈবা অহল ওইরবা খুঞ্জাশিংদসু অসাম রাইফলসনা ব্লাঙ্কেটশিং য়েন্থোকখ্রে। মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুলদসু মহৈরোইশিংবু ময়াইকাবা দ্রগকী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**কন্দেম(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী মরেমৈ লিয়াংমৈ ভিলেজতা থা অসিগী ১২ দা নুপী ৬ য়াওনা মীওই ৮ দা তমথিনা ফু চৈবগী থৌওং চত্থরম্বা অদুবু লিয়াংমৈ পুই নাগা রুৱাংদি অমসুং লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রুৱাংদিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোদোক্লি। লুপশিং অসিনা পুন্না সহী তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

**তামেংলোং(এল)ঃ** জৈলেদ ৱাইল্ড লাইফ সেঞ্চুৱারিনা শোকহনগদবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিংগা ঙরাং তামেংলোংগী দি.সি ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং অমদি দিপ্যুতি কম্মিস্নর য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা খুঞ্জাশিংগী ৱাকৎ কয়া হন্না য়েংশিনখি।

**মহাকুম্ভ ঃ** নুমিৎ ৪৫ নি চত্থগদবা মহাকুম্ভ মেলাগী ঙরাং অহৌবা নুমিত্তা ভক্তা কোতি অমা মখায় হেনবনা শরুক য়াখি। লাইনিং লাইশোন অমসুং কলা

সংস্কৃতিগী থৌরমগা মরি লৈনবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মহাকুম্ভ মেলা অসিগী ঙরাং পৌষ পুর্নিমা নুমিত্তা ত্রিবেনি সংগমদা লৈবা ঘাটশিংদা ভক্তশিংনা ইরুপ্পগা লোয়ননা লাই খুরুমখি। ভক্তশিংনা লাই খরুপ্লিঙৈ মতমদা নোংথক্তগী হেলিকোপ্তরশিংনা লৈ চাইথরকখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মহাকুম্ভ অসি লাইনিং লাইশোনগী থৌরম খক্তা নত্তনা থাজবা, পুকিং ৱাখলগী ওইবা অমসুং পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবগী ফজরবা ফেষ্টিভেল অমা ওইরে। মসিনা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অমসুং লাইনিং লাইশোনগী ফজরবা শক্তমশিং মালেমগী মীয়ামদা হেন্না খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

--**পাউ লোইজরে**--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লি হায়বা আর্মি চিফকী ৱাফম, কুকি জো কাউন্সিলগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী ওফিসিএলশিংগা উন্নগদৌরি হায়বা পাউ, অমদি মণিপুর গর্ভনরনা এন.পি.পিগা মীহুৎ কাংবুগা উন্নখিবা পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা-মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লি হায়বা আর্মি চিফকী ৱাফম, লোয়ননা, এ.আরগী দি.জিনা গর্ভণর অমসুং চিফ মিণিষ্টরগা উন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ফীভম হান্নদগী হেন্না মপুং ফানা ফগৎলে, ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরদা সর্ভিলেন্স কনখৎহনখ্রে হায়না আর্মি চিফনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি

ইচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, গান-ফিউ মেল, সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি-ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল অমদি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং তৌদুনা ফোঙলি।

কুকি ফোরমনা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএলশিং উন্নগদৌরি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। নুপী অমা নমদুনা ইকাই খুমবা মাংহনখিবগী মরালদা কোইরেংনা লূচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা মীওই অমা মখোঙদা কাপ্পুনা ৱারকখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।

পোকফমদা-কুকি জোনা জনুৱারি ১৭ তা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএলশিংগা উন্নগদৌরি, মী ৮ না শাবা টিমনা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌগদৌরি।এন.পি.পিনা গর্ভনরদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি। এন.পি.পিগী লুচিংবশিংনা গর্ভণরগা উন্নখিবগী পাউ অসি-হুৎয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল, ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, অমদি সঙাই এক্সপ্রেস নিউজতা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লমদম অসিদা ফংলিবা হীদাক কান্নরবা মখলশিং পোত্থোক ওইনা পুথোক্কুনা ঐখোয়গী ইকোনোমি ফগৎহন্সি হায়বা ত্রেদ এন্দ কম্মর্সগী দিরেক্তর রোবীতাগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা-ভেটেরান আর্ম ফোর্স পর্সনেলশিং সি.এমনা ওকখ্রে, সেন্ট্রেল ফোর্সনা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা লৌরিবা থৌদাং থাগৎলি হায়বা চিফ

মিনিষ্টরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মরেমৈ খুলদা লমগী ৱাহৌদা খৎনরকপা খুঞ্জাশিং আই.এমনা ফুরম্বদা নুপী ৬ নুপা ২ শোক্তুনা লাইকন্নখ্রে হায়বা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোংবা থেংনরি।

তামেংলোং তাইমসতা-নোনেগী লোংমাই বজারদা অহানবা ওইনা অলফাবেটস ইন্টর্নেসনেল হায়বা প্রি স্কুল অমা হাংদোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-ভারত সরকারগী থৌওংদা এন.এস.সি.এন.আই.এমনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। প্রাইভেতাইজেসনগী মাইয়োক্তা ষ্টেট গর্ভণমেন্ট এমপ্লোয়িশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা খোংজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমাইদা ফোংলি।